লাইবক থীবা থৌদোক অমদা শোক্তুনা লৈরিবা সুরজগী অনা লায়েংবদা মতেং ওইননবা ভোইস ওফ ককচিং ৱাটচএপ গ্রুপ, কোভিদ রেস্পোন্স ফন্দ ককচিং অমসুং সেনা য়ুথ ট্রষ্টকী মায়কৈদগী শেলগী তেংবাঙ পীখিবা

SEWA HI SANGATHAN
COMPLETION OF NDA GOVERNANCE
Hon'ble Narendra Modi Ji

সেবা হি সংঘথনগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট মুতুম দিনেশ্বরনা মোংশাঙ্গৈ কনবা অপূনবা লূপতা মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি থক্লবা ঈশিং তেংবাঙখিবা

কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায় পোল্লিং ষ্টেসন ৪/১ কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা শীন্দুনা লৈকায় অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী থবক এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হকথেংননা য়েংশিনখিবা

Help!
FUND
EKTA PARISHAD

এক্তা পরিষদ মণিপুরনা সী ঐচ আই সী পাৎশোইদা লৈরিবা পেসেন্টশিংনা শীজিন্ননবা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর অনী সেন্টর অসিবু হাংদোকপগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবী এম এল এ, এ কে মিরাবাইদা খুৎশিন্নখিবা

ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস) :

হৌজিক কোভিদ-১৯গী ৱানরবা মতম অসিদা নফসাগী কার্দ হোল্ডরশিংনা পি এম জি কে ৱাইগী মখাদা মে অমসুং জুন থাগী ওইনা মীওই অমমমদা চেঙ কে জি ৫/৫ পীগদবা অদু চেঙ কে জি ৩/৩ খত্তমক এজেন্টশিংনা পীবীরে। মসিদা এজেন্টশিংগা মীয়ামগগী মরক্তা চাউনা উংখৎনবা থোক্লে। ৱার্দ নম্বর ২গী মীয়াম চেঙ শুনা পীদ্রবদি চেঙ লৌরোই হায়না লৌদ্রে। মসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু হায়না এদভান্স ভলন্টিয়রস ওর্গনাইজেসন ককচিংগী প্রসিদেন্ট এন কৃষ্ণমোহোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

'অয়ুক-নুংথিল নাইদনা হোৎনরি'

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস) :

ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন, ইরেংবন্দনা কোনবা মফমশিং হায়বদি ইরেংবন্দ হৱাইরৌ, মাইরেনবম অমদি সাবল লৈকায়গী মফমশিংদা হৌজিক হৌজিক খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা হৌখিবা এপ্রিল ২২দগী ঙসি ফাওবা অয়ুক-নুংথিল নাইদনা হোৎনরি হায়না ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম মংলেমজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরেংবন্দগী লৈকায় অমদগী মীওই অমা পোজিটিভ ওইরকপদা মীওই অদুগী লৈফম, ইমুং অদুগী অৱাৎ-অপা কয়া এসোসিএসন অসিনা মতম-মতমগী ওইনা মতেং পাংলি। কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংনা শীজিন্ননবা ঈশিং লেম্না অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং ইমুংদা হংদুনা মতেং পাংলি। এসোসিএসন অসিনা ঙসি ফাওবদা মীওই ১১২গী মথক্তা টেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংখ্রে। পীকখ্রবা খুঙ্গং অসিদা মীওই ৪২ পোজিটিভ ওইখ্রে। মীওই ২০না ফদুনা য়ুমদা লৈহনখ্রে। এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী লৈঙাক্লা পীবা এস ও পিশিং ঙাক্লবা অমদি মতম-মতমগী ওইবা ঈ-পাউশিং মীয়ামদা খঙহন্দুনা লাক্লি। লোয়ননা মপানদগী লাকপশিংসু ইমুং-মনুংগা পাউ ফাওনদুনা ক্বারন্টিন তৌহল্লগা নুমীৎ শুরবা মতুংদা য়ুমদা চঙহল্লি। এসোসিএসন অসিনা পায়খৎলিবা থবক অসিদা তেংবাঙ পীবীরক্লিবা খুদিংমকপুসু থাগৎলি। মীয়াম্মসু ঙন্না টেষ্ট তৌথোক্তুনা রিজল্ট খঙদোকপনা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপদগী কনবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়ননা এসোসিএসনসু অঙন্বা থাক্তা মীয়ামগী মতেং পাংগনি হায়রি।

লাইশ্রম থানিলনা চান-থক্লবা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস) :

সেবা হি সংঘথন ফেজ ২গী শরুক অমা ওইনা লাইশ্রম থানিল মৈতৈ এক্স-কেন্দিদেট ৩২/ৱাংখেম এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি, ইন-চার্জ দিপার্টমেন্ট ফোর কোওর্দিনেসন ওফ ষ্টেট বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মীৎয়েং মখাদা ৱাংখেম এ সীগী মনুং চনবা কন্টেনমেন্ট জোন ওইবা মফমশিংদা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবক চথরক্লি। এসেম্ব্লী সেগমেন্ট অসিগী মনুংদা লৈবা কন্টেনমেন্ট জোন, য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকায়, খোইরোম ময়াই লৈকায়, য়াইরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা, চরাংপাৎ ভিলেজদা মখা তানা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিগনি।

পাৎশোই এ সীদা লৈরিবা ইমুং অমত্তা চাকখুম মৈ মুৎহল্লোই : এ কে মিরাবাই

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস):

তমথীরবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মীওইবা কয়াগী পুন্সি পীখম্নহনখ্রবা অমসুং য়ুমদগী চৎথোকপা য়াদবনা মরম ওইরগা শুফম নোংফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা পাৎশোই এ সীগী মনুংদা লৈরিবা ইমুং অমত্তা চাকখুম মৈ মুৎহল্লোই হায়না এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা পীবা পাউজেল অমদা এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিনা মীয়ামগী খম-থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কল্যান যোজনা (পি এম জি কে ৱাই)গী মখাদা নফসাগী কার্দ হোল্ডরশিংদা মে অমসুং জুন থাগী ওইনা মীওই অমদা চেঙ কে জি ৫/৫ লেম্না পীননবা খঙহল্লক্লি। মদুগীদমক পাৎশোই এ সীগী ওইনা মে থাগী পীরক্লিবা চেঙগী এলোকেসন অসি অপূনবা হাউসহোল্ড বেনিফিসরি ১০৮০৪গী ক্বিন্টন ১৮১২ খত্তনি। অদুমকপু পাৎশোই এ সীদা লৈরিবা হাউসহোল্ড বেনিফিসরি মশীং অসিনা ১৩০০০গী মথক্তনি। এ সী অসিগীদমক হান্না পীরম্বা চেঙগী এলোকেসন অসি ক্বিন্টন ২০১২ ওইরম্বদগী হন্থরকপনা মরম ওইরগা নফসাগী হাউসহোল্ড বেনিফিসরি ১৩,০০০ রোম অসিদা য়েন্থোকপদা মীওই অমদা চেঙ কে জি ৩/৩গী চাংদগী হেন্না ফংদে। লৈঙাক্লা পীরক্লিবা চেঙগী এলোকেসন অসিনা নফসাগী কার্দ হোল্ডর অপূনবা মীশিং ৩৬,০০০ রোম অসিখক্তদা য়েন্থোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা এ সী অসিগী মীওই লিশিং ২৮ লোমদি চরা হেন্দুনা লৈগদৌরিব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। লায়রবা নফসাগী কার্দ পায়দবা ইমুং কয়া অমসু লৈরি। শেল লৈরবসু লৈগে হায়বা ফংদবা কয়া লৈরিবশিং অসি চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদবা য়াদে। লায়না লাইচৎ অসিনা মীশি-মীনা থোকহনবদা নত্তনা নাহল্লক্তুনা পীরক্লিবা চৈথেংশিং খাংলিঙৈ চৈরক্তা চাকখুম কয়া মৈ মুৎলগদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈরিবা অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈবা ঙল্লোই। মরম অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী অরৈবা পুথোক্তুনা মথৌ তাবা চেঙ ক্বিন্টন ৯০০ হাপচিন্দুনা এ সী অসিদা লৈরিবা চহী ৬কী মথক্তা লৈবা মীপুম খূদিংমক্তা মীওই অমদা চেঙ কে জি ৫/৫ হয়েংদগী পীবা হৌরগনি।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী এ সী অসিগী মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা অমদি ঙাকথোক্লবগীদমক তাকয়েলপাৎতা লৈবা ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) অমা হাংদোক্তুনা থল্লে। এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মরক্তা পোজিটিভ ওইদুনা য়ুমদা আইসোলেসন তৌবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবশিং অদু সেন্টর অসিদা লৈদুনা কোকহন্ননবগীদমক সী ঐচ আই সী অসি হাংদোকপনি। পোজিটিভ ওইরবশিংনসু সেন্টর অসিদা লৈননবগীদমক পাউ ফাওবীরকউ। পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

লায়না লাইচৎ অসি মায়থীবা পীনবগীদমক হয়েংদগী এ সী অসিগী মফম কয়াদা চখ্খগদৌরিবা মাস টেষ্টিং অসিদসু মীপুম খূদিংমক্তা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। টেষ্ট তৌথোক্তুনা মতম চানা রিজল্ট খঙহৌবনা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি খুদোংথিবা তাগদবদগী কলহৌনবা খ্বাইদগী চাউবা পাম্বে ওইগদৌরিবনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্তুনা হেন্না চেকশিনমিন্নসি। এ সী অসিদা লৈরিবা ক্লব, এন জি ও, মৈরা পায়বী অমদি তোঙান তোঙানবা পুকচেল চাউরবা মীওই খূদিংমক্লসু লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা তেংবাঙ পীবীয়ু হায়নসু এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা আপিল তৌরক্লি।

হিদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নরগুমসি অমদি য়োনগুমসি হায়বা ফিরেপ লৌমিন্নরসি : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস):

লমদম অসিদা মীয়াম্না হিদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নরগুমসি অমদি য়োনগুমসি হায়বা ফিরেপ লৌমিন্নরসি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফকী দ্রগস এফেরস সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাস খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমদা হিদাক মনাগী পোৎলম পুথোকপদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা লৈবাক ওইরি। অদুগা হিদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবগী চাংনা চাদা ১১.১৫নি। কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিগা চুরূট থকপগা য়াম্না পক্লদে। অদুনা শীজিন্নবা তোক্লসি হায়না এম এস এফনা হিদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নরিবা মীওইশিংদা হায়জরি। লমদমসিদা ক্বা জর্দা, তলব অমা চাদ্রবদি নৎত্রগা চুরূট মচৈ অমা থকহৌদ্রবদি চাক চাদ্রবসু য়ারে হায়না খন্নবা ফাওবা য়াওরিবনি। মতৌ অসি মশা-মউ ফবা মণিপুর খুন্নাইগী অমগী মঙগী ৱাংমদা ওইগনি। কোভিদ লায়না লাইচৎ অসি মীওইবগী থবোন্বীদা মহিক অসিনা চঙদুনা নাখ্রবদি শ্বর হোনবদা হেন্না অৱাবা ওইহল্লি। মসিগী মথক্তা মৈখু শীজিন্নবশিংসু থবোন্বীদা নাহল্লি হায়বসি খঙনরবা ৱাফমনি। অদুনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবা তোকপীরো। ঐখোয় খূদিংমক চুমথোকমিন্নসি। হিদাক মনাগী পোৎলমশিং হায়বদি ক্বা জর্দা, তলব, চুরূট, খৈনি, পান মসলা, হুকানচিংবশিং অসি শীজিন্নরগুমসি, য়োনগুমসি হায়না ঐখোয় ফিরেপ লৌমিন্নরসি। মশীং য়ামজদ্রবা ইরমদম অসিগী নহারোলশিং মাঙহন্ননবা কন্না হোৎনরক্লিবা অসিদা ঐখোয় ইশানা কঞ্জহৌবা নত্তনা অতৈ উপায় লৈতে। ফৎতে খঙলবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অসিদা ঐখোয় মীওইবনা হান্না শীজিন্নগুমসি। মসিতনা খুন্নাই অসিগী মীয়াম কনগদৌরিবনি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেমগী মফম খূদিংমক্তা মে ৩১দা চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ৱর্ল্ড নো টোবেকো দেনা লাকপদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না পীবা থীম কম্মিট টু ক্বিট হায়রিবা অসিগা ঈরোয়ননা ইরমদম অসিদসু হিদাক মনাগী তমথিরবা শক্লোনশিংদগী কন্ননবগীদমক হিদাক মনাগী পোৎলমশিংদগী লাপ্না লৈমিন্নহৌরসি। য়াম্না ফৎতবা অমনা পেন্দমিক্কী ওইবা কন্দিসন লাকপা খূদিংগী লল্লোনবশিংনা মশীং য়াল্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং লেপ্তুনা পুশিল্লকপা অসি তশেংনা ইরৈচাশিং অসি মাঙখিনবগী শীল্লব্রা হায়বা ৱাফমসি থমজরি। লোয়ননা মণিপুরদা কোভিদ পেন্দমিক অসিবু শন্দোকপদা হেন্না মতেং পীরি। লৈবাক অসিগী য়াংলেন শরূ ওইগদৌরিবা তুংগী য়ুন্বীরেল ওইগদৌরিবা নহারোলশিংবু মাঙহন্ননবা হোৎনরক্লিবা লাল্লোংশিং অসিদগী ইরৈচা খূদিংমক মীৎশিং নাশিংদুনা দ্রগসতগী লাপ্না লৈহৌরসি। লোনা য়াদ্রে হায়রিবা হিদাক মনা (টোবেকো)গী পোৎলমশিং অসি চেকশিন্না পুলিসশিংনা চেক তৌবীয়ু। ফোংনা অমদি লোন্না কৈথেলদা ফংলি। মসিনা তাকপদি পোৎলমশিং অসি লায়না পুশিল্লক্লি হায়বনি।

হিদাক মনানা শেম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং অসি ঙসি-ঙরাংতা শীজিন্নরক্লবা নত্তে। ফৎতে খঙনা খঙনা ঙসিগী মীরোলনা অদুম শীজিন্নদুনা লৈরি। অহল-লমনশিংনা নহা অমনা চুরূট থকপদা ফৎতে হায়না চৈরম্মী। লোয়ননা নহাশিংনসু ঈকায় হঙ্গৈইনা লোন্না থক্লরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি নথৌ লৈব্রা ঐনা থকচববো হায়না নহারোলশিংগী লমচৎ শাজৎকী খেন্নবা লৈহনবসু ফৎতে। অদুনা খুন্নাই অসিগী অহল-লমন্নসু মচা-মশুশিং ফনবা হোৎনবা হায়বসি সিনিয়র সিটিজনশিংসু হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নদবা ওইবীয়ু। খুন্নাই অমগী অহল-লমনশিংনা নহারোলশিংদা অফবা ৱাখল্লোন পীবীবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। থাক-খা কায়রবদি খুন্নাইদা মীওইবগী মমল য়াওরক্তে হায়বসি অচুম্বনি। মরম অদুনা খুন্নাই অসিগী সিনিয়র সিটিজনশিংদগী নহাশিংনা তমজহৌগদবা ৱাখল্লোন ময়াম অমা লৈরমগনি। সিনিয়র সিটিজনশিংনসু পীরম্নবা হোৎনবীগদবনি। অফবদি তন্বীবদা লৌগনদে, ফৎতবদি থুনা হৈ হায়বসিমদি ঐখোয় নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংনদি তৌরোইদবনি।

চহী খূদিংগী হিদাক মনাগী পোৎলমশিংগা মরী লৈনবশিংনা মীওই মিলিয়ন ৮গী থৱায় লৌখিবনি। নিকোতিন অমদি টোবেকো প্রদক্টশিং শীজিন্নবনা কেন্সর, কার্দিওবাস্ক্যুলর অমদি পলমোনরি দিজিজশিং অসি নারকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংলিবনি। মরম অদুনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিংনা পীরিবা মাঙজবা ময়ামসি খঙবীদুনা মীশিং য়ামজদ্রবা ইরৈচাশিং মরুওইনা মহৈরোয় নহারোলশিংবু হিদাক মনাগী পোৎলমশিংদগী লাপ্না থম্নবা পুন্না হোৎনবগী মতম অদু য়ৌরে। পেন্দমিক অসি হেক লোইবগা এম এস এফনা স্কুল, কোলেজগী অকোয়বদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনব্রা হায়বা য়েংশিনবগী দ্রাইভ চথরগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা চহী ৭ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা সেবা হি সংঘথনগী মখাদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ইন্টরনেসনল এৱার্দী মুতুম দিনেশ্বরনা মোংশাঙ্গৈ কনবা অপূনবা লূপতা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, হকচাং সাপোন অমদি থক্লবা ৱাটর বট্টল তেংবাঙখ্রে। তেংবাঙখিবা অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ও বি সী মোর্চাগী ট্রেজরর এম মোমোন মৈতৈসু শরুক য়াখি হায়না বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নর্মদা চুংখামদা বেষ্ট লিরিসিষ্ট, ওলিম্পিয়া গুরুময়ুমদা বেষ্ট পোপ্যুলর পিপল চোইস এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

আর্টিষ্ট ট্রেনিং কম এদ্যুকেসনল রিসার্চ সেন্টর (এ টি ঈ আর ঈ সী)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৮শুবা ওপন মণিপুরী মোর্দন সোং কম্পিটিসন ২০২১গী অহানবা রাউন্দদা তোপ ১৯ সেলেক্সন তৌরে। বেষ্ট লিরিসিষ্ট এৱার্দ ২০২১না চুংখাম নর্মদানা ইবা *মাইথোংদা মোমোন নোক্তুনা* হায়বসিদা পীরগনি। বেষ্ট পোপ্যুলর পিপল চোইস এৱার্দ ২০২১না মাইথোংদা মোমোন নোক্তুনা হায়রিবা ঈশৈ অসি শকখিবা ওলিম্পিয়া গুরুময়ুমদা পীরগনি হায়না এ টি ঈ আর ঈ সীগী সেক্রেটরি ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঈশৈগী মরমদা থোইদোক্লা খঙ-হৈরবা জুরি অহুম্না কুপ্না য়েংশিন্দুনা খনগৎলবা তোপ ১৯ অদুদি লিক্লাইঙম্বী লোংজম, ওলিম্পিয়া গুরুময়ুম, মার্টিনা লৈশাংথেম, লাইশ্রম রোহিট, খুন্দ্রাকপম এলিয়া, নামৈরাকপম বিদ্যানন্দ, মোইরাংথেম সমানন্দ, রেমসন নাওরেম, আর্টি অরিবম, দয়াবতি কোন্থৌজম, লাইশ্রম অমরজিৎ, লিন্দা খাইদেম, ৱারেপ্পম ভগৎ, সলাম ধোলি, মঙ্গিরাজ নোংথোম্বম, অখাম রোবিন্সন, কৈশাম য়াইফবী, ইরোম পায়ল অমসুং জিনিতা লৈশাংথেমনি।

কম্পিটিসন অসিগী ফাইনেল রাউন্দদি ষ্টেজ পর্ফোমেন্সতা পাঙথোক্কদবনা হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মীয়াম পুনবা য়ারবা মতমদা লাউথোকচগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

কোংপালদা পাক শন্না কোভিদ টেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী মীৎয়েং মখাদা কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায় পোল্লিং ষ্টেসন ৪/১ কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা শীন্দুনা পোল্লিং অসিগী মীয়াম পাক্তক্লনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখ্রে।

কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌননবা এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা শেমখিবা কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায় কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা শীল্লগা ঙসি লৈকায় অসিগী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিং পাক শন্না টেষ্ট তৌখিবনি। পুন্না মীওই ২৫০ রোম টেষ্ট তৌখিবা অদুগী মনুংদা মীওই ৭ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি হায়রি।

টেষ্ট তৌবগী থবকশিং অদু হকথেংননা য়েংশিল্লদুনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, ক্ষেত্রিগাও এ সীদা লৈরিবা মীয়াম্বু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমসুং কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সশিংগা খুৎশম্নদুনা মাস টেষ্টিং তৌবগী থবক অসি মখা তানা চখ্খিগনি। লায়না লাইচৎ অসি মীয়াম্না তরাইনা লৌবীগনু। টেষ্ট তৌবা অসিদা পোজিটিভ ওইরবশিংনসু লাইথোকপা তৌবীগনু। নেগেটিভ ওইবা মীওই অমনা পোজিটিভ ওইবা মীওই অমগা শোক্ল-শম্নরুরবদি লায়না অসি শন্দারকপা য়াই। মরম অসিনা নেগেটিভ ওইরবশিংনসু হেন্না চেকশিন্না য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈঙাক্কী এস ও পিশিং ঙাক্লা লৈবীয়ু। কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোভিদ টেষ্ট তৌখিবা অদুদা পোজিটিভ ওইরবশিং টাস্ক ফোর্সনা কোংপাল ইম্ফাল মোর্নিং হায় স্কুলদা হাংদোক্লিবা কোভিদ আইসোলেসন সেন্টরদা থমখ্রে হায়রি।

হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মপুং ফানা থিংবীয়ু : কাদা

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস):

কোভিদকী শিবা হিংবগী অসুক লুরবা লানফম অসিদা মশাগী শেন্দোং খক্তগী খনবা মীওই খরনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং, ক্বা মনা লল্লোন-ইতিক তৌবা কয়া মীয়াম্না লোইনা খঙলিবনি। পুন্নমক অসিদা লৈঙাক অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি মপুং ফানা থিংবীয়ু। কোভিদকী লাম্থেং পুন্না থেংনমিন্নসি হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৮৮দগী হৌনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না মে ৩১বু মালেমগী হিদাক মনা শীজিন্নবা নুমীৎ ৱর্ল্ড নো টোবেকো দে হায়না চহী খূদিংগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চহী খূদিংগী থীম অমমম পীদুনা পাঙথোকপগুম কুমজা ২০২১গী থীম: 'কম্মিট টু ক্বিট' অসিদা পাঙথোক্লরি। লুরিবদি হৌজিক হৌজিক মালেমগী মফম শিনবা থুংনা লাম্থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা অকনবা শাফু ওইদুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম থৌরম অসি পাক শন্না পাঙথোকপা ঙম্নখিদে। ৱর্ল্ড নো টোবেকো দে থৌরম অসি কাদানসু চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লোয়ননা মফম কয়াদা টোবেকো শীজিন্নবগী অমাঙবা কয়া এৱ্রেয়ার্নেস প্রোগ্রাম, দ্রাইভ কেম্পেয়্যন কয়া চখ্খদুনা লাক্লি। কুমশি চহীগীদি কোভিদকী অনীশুবা ৱেভকী কর্ফিয়ুনা মরম ওইদুনা নুমীৎ অসিগী থৌরম পাঙথোকচদ্রে।

চেরোল অসিনা হায়, দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্ট মতুংইন্না চাদা ৫০ হিদাক মনা মরুওইনা মৈখু শীজিন্নবনা কোভিদ-১৯ শন্দোক্লবগী মরম ওইহল্লি হায়রি। মরম অসিনা হিদাক মনা থাদোকপা 'কম্মিট টু ক্বিট' হায়বা অসিনা কোভিদ থেংনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লি। মসিদা নত্তনা তমথিরবা কেন্সর, হার্ট দিজিজশিং, শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়নাশিং থেংনবদা হিদাক মনা থাদোকপা অসিনা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়রি। কোভিদ লায়না অসিনা মরুওইনা শোকহল্লিবা লংস অসি মপাঙ্গল কলহনবগীদমক মৈখু শীজিন্নদবা অসি য়াম্না মরুওই। দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিসার্চরশিংনা থিজিনবগী মতুংইন্না মৈখু শীজিন্নবা কোভিদ অনাবশিংনা মৈখু শীজিন্নদবা অনাবশিংদগী হেন্না খুদোংথিবা হেল্লি অমসুং শিবগী চাং হেল্লি হায়বসি ফোঙদোকই।

হিদাক মনা শীজিন্নবা অসিনা মীওইবগী ইম্ম্যুন সিষ্টম শোন্থহন্দুনা কোভিদ থেংনবদা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লহল্লি। হিদাক মনাগী পোৎলমশিংদা য়াওরিবা টোক্সিস কেমিকেলশিং অসিনা ইম্ম্যুন সেলশিং অসি শোন্থহল্লি। মৈখু শীজিন্নবা অসিনা কোভিদ শন্দোরক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লি। খুদম ওইনা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমগা নেগেটিভ ওইবা মীওই অমগা চুরূট লান্নদুনা থকপদা কোভিদ শন্দোক্লবগী মরম ওই। মৈখু থোক্তবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ক্বা, তলব, খৈনিনচিংবা চাবা অসিনসু কোভিদ শন্দোক্লবগী অচৌবা মরম অমনি। খুদম ওইনা ক্বা চাবা মীওই অদুনা কামথোরকপা ক্বা মহি অদুদা কোভিদ মহিক য়াওরক্তুনা অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকহনবা ঙম্মী। টোবেকো শীজিন্নবা অসিনা হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক, কেন্সর, ক্রোনিক, লংস দিজিজ, দাইবেটিসনচিংবা কো-মোর্বিদ লায়নাশিং নাহনবা অমদি কোভিদ অমুক নাশিনবদগী শিবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী গ্লোবেল এদল্ট টোবেকো সর্ভে (জি এ টিএস) ২গী রিপোর্টমতুংইন্না মণিপুরনা টোবেকো (মৈখু থোকপা অমসুং থোক্তবা) শীজিন্নবদা চাদা ৫৫.১ ওইদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। মৈখু থোক্তবা হিদাক মনা শীজিন্নবনা চাদা ৪৭.৭ ওইদুনা অনীশুবা পোজিসন অমদি মৈখু থোকপা হিদাক মনা শীজিন্নবনা চাদা ২০.৯ ওইদুনা মঙাশুবা পোজিসন লৈরি। মরম অসিনা মণিপুরগুম্বা পীক্লবা ষ্টেট অসিনা মশীং য়াল্লবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মরক্তা হিদাক মনা শীজিন্নবদা মাঙজিল থারকপা অসি ঐখোয়না তরাইনা লৌবা চুক্লোই। মীয়াম অমদি লৈঙাক অসিনা ৱাখল তামিন্নদুনা ঐখোয় পুন্নমক হিদাক মনাগী মায়োক্তা লৈমিন্নদুনা ঐখোয়গী তুংগী মীরোল অসি কন্নবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা মতম য়ৌরে হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

এক্তা পরিষদ মণিপুরনা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা চৈথেং কয়া পীরকপগা লোয়ননা অনা-লায়েংগী লমদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদা মতেং ওইননবগীদমক এক্তা পরিষদ মণিপুরনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং পাৎশোই এ সীগী ওইনা ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী)দা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ২/২ তেংবাঙ ওইনা খুৎশিন্নখ্রে।

এক্তা পরিষদকী ষ্টেট কনভিনর অরিবম রিষিকান্ত শর্ম্মনা তাকয়েলগী ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিং হাংলিবা সী ঐচ আই সী পাৎশোইগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবী এম এল এ, এ কে মিরাবাইদা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর অনী খুৎশিন্নখি। তুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ও ডা. গোজেন্দ্রোদা অমুক ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর অনী খুৎশিন্নখি। ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা এক্তা পরিষদকা পুন্না থবক তৌমিন্নরিবা ওর্গনাইজেসন পি আর দি এগী সেক্রেটরি এল সুরঞ্জয়, মণিপুর ভলন্টরি হেল্থ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল ধনঞ্জয়, এক্তা পরিষদ মণিপুরগী ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মেম্বর নিংথৌজম বিদ্যারানি অমসুং এক্তা পরিষদ ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফিল্ড এক্টিভিষ্ট করাম তানিয়াসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, এক্তা পরিষদনা পি আর দি এগা খুৎশম্নরগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লায়রবা ইমুং ৫০০ রোমদা হিদাক লাংথক য়েন্থোকখ্রবনি। মখা তানা এক্তা পরিষদনা অমুকোগা খুৎশম্নরগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লায়রবা ইমুং ১০০০ রোমদা ইম্ম্যুন কনখৎহন্ননবা হিদাক লাংথকশিং অমদি চীঞ্জাকশিং য়েন্থোকখিবনি।

অমরোমদা, সী ঐচ আই সী পাৎশোইদা লৈরিবা পেসেন্টশিংনা শীজিন্ননবা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর অনী তেংবাঙ ওইনা পীরকখিবা অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবদা মতেং ওইরগনি। মসিগীদমক এক্তা পরিষদপু থাগৎলি হায়না এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোরক্লি।

টোক পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস) :

ফিদ ইন্দিয়া মুভমেন্টকী শরুক অমা ওইনা ফিদ ইন্দিয়া কেম্পেয়্যন কম্মিটি এন্দ ফিদ ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা ভর্চ্যুএল সেরিজদা চথরকপা নেসনল টোক পাঙথোক্তুনা ঙসি মরিশুবা লেকচর ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিগী হেদ প্রোফেসর লিশম সঞ্জুকুমারনা কোভিদ-১৯ : সাইন্স ওফ ভেরাইয়েন্টস, ভেক্সিন, টেষ্টিং এন্দ দিয়র মেনেজমেন্ট হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখ্রে হায়না ফিদ ইন্দিয়া কেম্পেয়্যন কম্মিটি এন্দ ফিদ ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কনভিনর ডা. এন সন্তোশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লেকচর পীবগী থৌরম অসিদা দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স এম য়ুগী হেদ ডা. সী ঐচ ইবোহলনা মোদরেটর অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী এম য়ুগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. চিরোম রাজকেতননা কো-মোদরেটর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ডা. লাইশ্রম সন্তোশনা মরিশুবা লেকচর অসিগী পেনেলিষ্টশিং, পার্টিসিপেন্টশিং অমদি স্পিকরবু তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি।

অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

লমশাং এ সীগী এক্স-এম এল এ, দব্লিয়ু ব্রজবিধুনা লৈখিদবদা মণিপুর এক্স-এম এল এ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়না মণিপুর এক্স-এম এল এ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বি দি বেহরিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, কোলেজ ওফ নর্সিং আর দি ও লমশাংগী ফাউন্দর ওইবীরম্বা এক্স-এম এল এ দব্লিয়ু ব্রজবিধুনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর নর্সিং কাউন্সীলগী ষ্টাফশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে হায়না মণিপুর নর্সিং কাউন্সীলগী নর্সিং রেজিষ্ট্রার টি ঐচ নন্দরানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এম এন সীগী নর্সিং রেজিষ্ট্রার টি ঐচ নন্দরানিনা চ্যের লৌদুনা লম্ফেলদা লৈবা কাউন্সীল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদমসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু মণিপুর নর্সিং কাউন্সীলগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ꯀꯥꯎꯟꯁꯤꯜ ꯑꯣꯐ ꯍꯥꯏꯌꯔ ꯁꯦꯀꯦꯟꯗꯔꯤ ꯑꯦꯖꯨꯀꯦꯁꯟ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
Babupara, Imphal West, Manipur- 795001

Ref.No. 1/309/08-HSE: Date : 31.5.2021

CONDOLENCE MESSAGE

A condolence meeting was held on 31st May, 2021 at 2:00 p.m. at the premises of the Council of Higher Secondary Education, Manipur office building at Babupara, Imphal with Dr. L. Mahendra Singh, Chairman, Council of Higher Secondary Education, Manipur in the chair on the sudden and untimely demise of **Shri Thangjam Rameshwor Meetei**, Joint Secretary of the Council on 31st May, 2021.

All the employees of the Council present observed 2 (two) minutes silence as a mark of respect to the departed soul and also shared the grief and sorrows of the bereaved family.

Sd/- **Ch. Biren Singh**
Secretary, Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

HL-B/6980/1

ꯀꯥꯎꯟꯁꯤꯜ ꯑꯣꯐ ꯍꯥꯏꯌꯔ ꯁꯦꯀꯦꯟꯗꯔꯤ ꯑꯦꯖꯨꯀꯦꯁꯟ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
Babupara, Imphal West, Manipur- 795001

Ref.No. 1/309/08-HSE: Date : 31.5.2021

CONDOLENCE MESSAGE

A condolence meeting was held on 31st May, 2021 at 2:00 p.m. at the premises of the Council of Higher Secondary Education, Manipur office building at Babupara, Imphal with Dr. L. Mahendra Singh, Chairman, Council of Higher Secondary Education, Manipur in the chair on the sudden and untimely demise of **Shri Laishram Sanathoi Singh**, Lower Division Assistant of the Council on 26th May, 2021.

All the employees of the Council present observed 2 (two) minutes silence as a mark of respect to the departed soul and also shared the grief and sorrows of the bereaved family.

Sd/- **Ch. Biren Singh**
Secretary, Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

HL-B/6980/1